ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯷, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

**হুইয়েন লানপাউ**

লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ০৭, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৫২শুবা মশীং

# সাইকলগী মথংদা গ্যাস

## ভোটরশিং নরাইবক থিখ্রেদকো

ইকুই-কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা থোকখিবা থৌদোক অমদা মাইনোরিটি মুসলিম মহৈরোয় নুপীমচাশিংনা স্কুল চৎচবদা শীজিন্নবা য়েন্থোকখিবা সাইকলশিং ময়ূমদা পুজনবা ইন্থোরকপদা লম্মখাংদা অমুক লৌশিলহৌবগী থৌদোক থোকখি। থৌদোক্তু চীফ মিনিষ্টর মশা য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরমনি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মাইনোরিটি মুসলিম নুপীমচাশিংগী মহৈ মশীন তম্বদা মতেং পাংবগী অখন্নবা পায়খৎখিবা থৌরাংনি। লৈঙাক্না তৌথোরকপা ফজখ্রবা থবকনি। অদুবু থৌরমদু শিনখিবা লোয়শঙগী ওফিসলশিংনা অমুক লৌশিলহৌবদগী ৱারু-নুংজু থোক্লখিবনি। ইকায়খাংদগী কং কোৎপদৌনা মীমাং থোরক্লবা মতমদা সাইকলশিংদু অমুক হন্না পীখিবনি। অদুবু থৌদোক্তু থোকহনফম থোক্তবা, মথোং চাদবা লোয়শঙদুগী ওফিসল খরগী নাতৈ চাদবা থৌওংনি হায়নখিবা ৱাফম ফোং-ফোং শারিঙৈদা নম্বোল সাবল লৈকায় মনীংদসু অতোপ্পা থৌদোক অমমুক থোরক্লে। হন্দক্কী নম্বোলগী থৌদোকসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্না হৌদোকপা 'প্রাইম মিনিষ্টর উজ্জ্বালা য়োজনা' (পি এম য়ু ৱাই) স্কিমগী মখাদা মীয়াম তিনবা অচৌবা থৌরম অমদা য়েন্থোকখিবা এল পি জি সিলিন্দর অমসুং গ্যাস ষ্টোভপু স্কিম অসিগী বেনিফিসরি ওইরিবা নুপী অমনা কোংগ্রেসকী ইলেক্সন মীটিং অমদা য়াওরুই হায়দুনা বি জে পিগী ৱার্কর অহুম্না লুচিংলকপা মীওই ২০ লোম্না বেনিফিসরি নুপীদুগী চাকখুমদগী মুল্লগা পুবিখ্রে হায়বগী ৱাথোকনি। ৱাফমশিং অসি দিসেম্বর ৪, ২০২১দা নম্বোল সাবল লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১০গী ৱার্দ মেম্বরনি হায়বা মীওই অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি। পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অদুদা কুকিং গ্যাস সেট ফংখিবা নুপী বেনিফিসরি অদুসু য়াওখি। পাউগী মীফম অদুগী পাউ নুমিৎতুগী ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী ন্যুজ চেনেলশিংদা য়াওখি। মথং নুমিৎকী পাউচেশিংদসু ফোঙনখি।

অদুবু হায়রিবা থবকসিবু তৌহৈবা, থোকহনফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিশিংনা মতম-মতমগী মতুংইন্না মীয়ামগীদমক হৌদোরকপা অমসুং পায়খৎলকপা য়াইফ-থৌরাংগী থবকশিংসিগী কানবা ফংলিবা বেনিফিসরিশিং অসিবু লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী মীরেপ্তা নত্তনা অতোপ্পা পার্টিদা ভোট পীগনু, পীবা য়ারোই হায়রিব্রা? গভর্ণমেন্টনা তৌরকপা দিভেলপমেন্ট ৱার্ক পূন্নমক ইলেক্সনগা মরী লৈনবা ঙাক্তরা? মথং চহীগী মার্চ ১৯, ২০২২গী মমাঙদা শোয়দনা লিংলগদবা অনৌবা লৈঙাক অমগী লৈঙাক্লোইশিং খন্নবগী পাঙথোক্লগদবা ইলেক্সনগীদমক য়েংলগা ভোট য়াম্না ফংনবগীদমক তৌরিব্রা? ৱাহংশিংসি থোকচিল্লক্লিবা থৌদোকশিংসিদগী হংদবা য়ারক্তবনি। অদুগা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমনা কনানা পীগদৌরি? থৌদোকশিংসি থোকচিল্লক্লবনিনা ৱাহংসিগী পাউখুম ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা নুমিৎ য়াম্নমক নকশিল্লক্ত্রিঙৈদা মীয়ামদা থোইদোক হেন্দোক্লা থৌদোকসিবু হকথেংননা মায়োক্লরিবা মীওইশিংদা পীবিদুনা লৈখাই তাহনবীবা চুম্মী। মসিনা মতুংদা থোরক্কদবা লৈরম্লগসু মশীং হন্থহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। নম্বোলগী থৌদোকসি চাকখুমদগী চাক-ঈশিং থোংনরিবা গ্যাস সেট নম্ফুদা মুল্লগা পুখিবগী থৌদোকনি। পুলিসতসু রিপোর্ট তৌনখিবনি। পুলিসকী মায়কৈদগীসু লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদবনি। নৎত্রবদি করিগুম্বা পাঙথোক্লগদবা মীখলসিগী মতুংদা স্কিম/প্রোজেক্ট কয়া হৌদোক্লিবা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিসিনা এম এল এ মশীং য়াম্না কাবা ঙমদদুনা মথংগী লৈঙাক খূৎপায়নবগা ঙমদ্রবদি চৎনহল্লক্লিবা ইন্নর-লাইন-পর্মিট (আই এল পি) সিষ্টম হন্দোক্কে, অন্দমান অমসুং নিকোবরগী মাউন্ট হেরিএটপু মাউন্ট মণিপুর হায়নগা ওন্থোকখ্রিবসি অমুক হন্দোক্লগে হায়না হায়রকপগী ফীভম লাক্কদ্রা? পূন্নমকসি অমত্তা নৎত্রগনা তমথীরবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকতগী ঙাকথোক্লবগীদমক কাপখ্রিবা অহানবা অমসুং অনীশুবা দোজগী হীদাকশিংসি লেম্না কাপখিবশিংদগী অমুক চিংথোক্কেগা হায়রক্কদৌরিব্রা? অদুম্মাইনা তৌরক্লবদি ফরক য়াম্না তানরক্কনি, অমুক হন্দোক্লবদসু এক্সপার্টনচিংবগা তান্ন-তিক্নদনগা হেক্তা তৌরকপা য়ারোই। হীদাকসু লেম্না কাপথোকখি, ভোটসু ফংহৌদে হায়দুনা কোক পায়রগা তক্সি শোনবদু নুংঙাইতে। মতম লৈরিঙৈদা অশেংবা অচুম্বা মীয়ামদা মাঙজৌননা হায়হৌবনা চুমগনি। লমদমসিগী ভোটরশিং নমাংসু লাং নতুংসু তেন হায়বদু হেক থোকইদা, চাশি মরূ হুন্দোকসি মতোং হেক ওই, নরাইবক থিখ্রেদকো।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) *"শীঙেন নাচোম"* হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) *"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"* হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) *"কেকু লোৎপী'* হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুর কোলেজগী নাকলদা নোংমা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৮২**

**জিতেন নামৈরাকপম**

"অফবা মীহুৎ খনবা" হায়রিবা টোপিক অসিদা মীয়াম্না নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ঙাঙনরি, শক্লরি। অফবা মীহুৎ হায়বদুবু কনানো হায়না থিরুবা মতমদা অৱাবগী মশকনি। হায়রিবা মথক্কী ৱাফম খরসি হন্দক্কী লাক্লিবা ২০২২গী মার্চকী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী ৱারীতনা লৈরক কোন্সাং পূন্বা ঈথক-ঈপোম হৌরিবা মতমনি। ইলেক্সন অসিদা কেন্দিদেট ওইনবগীদমক চোঙথোরক্লিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিং অমদি মাগী টিম নৎত্রগা ৱার্করশিংসু মঙায় খোইরেল মসা পাইবগুম্বনি। চঙনীংবা শেল চঙজখিসনু ঐনা ভোট কাহৌদবা য়াদে, ঐসু ভোট কাহৌদবা য়াদে হায়বা ৱাখলদনি চত্থনরিবসি।

মশ্বাই য়ৌরকপদনি মীয়াম্না তোয়না ঙাঙনরিবা, পন্নরিবা ভোটতা সেকেন্দ তাবা করিমত্তা কানদে হায়নরিবা অসি। জগোয়দা, ঈশৈদা, শান্ন-খোৎনবদা, মহৈ তম্বগী চাংয়েংদা ওইরবসু ফর্ষ্ট তাবদি তোকখ্রগা তরাশুবা রেঙ্কতা মার্ক ফংজবা মহৈরোয়শিংসু প্রাইজ ফংনরি। হন্দ্রেদ মিটর রেসতসু অদু মঙাই অহুমশুবা তাবা শান্নরোয়দুসু মনা অদুম্মক ফংবনি। চন্দোল চৈ নৎত্রগা মীংশেল মখুম অমত্তং ওইরবসু ফংবা য়াই। অদুবু ভোটতা সেকেন্দ তাবদি মঙোন্দা পীনীংঙাই প্রাইজ অমত্তা লৈতে। থবকসু ৱানা শুহল্লগা মফি মুল্লি হায়বদুমক্লি। করি অমত্তা কানবা লৈতে।

অদুদা নুংঙাইরিবদি হন্দক্কী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা এম এল এ ওইগে, মিনিষ্টর ওইগে হায়না চোঙথোরকপা কেন্দিদেট ওপার অমা থোরকপা অসিনি। মসিমকসু অনৌবা চাংয়েং অমনি হায়বদি য়াই। মরমদি মমাঙগী হৌ-খবা ইলেক্সনশিংদা অসুক য়াম্বা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট থোরকখিবা থেংনখিদ্রি। ভোট থাদবা হায়বসি চহী মঙা/মঙাগী টর্ম অমনি। চহী মঙা হায়বসি নুমিৎতা খূৎ থেক্তুনা পারুবা মতমদদি নুমিৎ লিশীং অনীগা চানিপাল কুনমঙাগুম্বা ওইরমগনি। তশেংনা হায়রবদি য়ামখ্রবা মতমনি। মীওইবা কয়া অমা শিখিবা, মীওই কয়া অমা পোক্লকপা মতমনি হায়বসু য়াই। মসিদা হৌজিক মীয়াম্না কন্না ঙাঙনরিবা অসি অফবা কেন্দিদেট খল্লু, মঙোন্দা ভোট পীয়ু, মীয়ামগী থৌগল তৌগদবা অশেংবা মীহুৎতা ভোট পীবিয়ু হায়বা অসিনি।

খ্বাইদগী মতিক চাবা কেন্দিদেট অসি কনানো হায়না থিরুবা মতমদা ঐ ইশামক ৱাখল মাঙলি। তৌফম খঙদে। ভোটকা হায়সি থৱায় শুকয়াও য়াওবা মীওই নত্তে। ভোটকী মতম লাক্কনি খঞ্জবদা থৱায় ৱাজবা মীওই অমনি। মরমদি, ভোট লেপকনি থোরকপা মীওই অয়াম্বা খঙনবা মীওই ঙাক্তা হেক্তা ওইরম্মী। কনানা হুন্দোক্লগা কনানা লৌখৎকনি। মতাং অসি য়ৌরকপা মতমদা ঐহাক্না মখোয়না ভোট খোম্বা লাক্লিবশিংদা হায়জবনি। নঙনা ঐ ওইরম্লবা অদুগা ঐনা নঙ ওইরম্লগা খঙলমগদবনি। ঐদি অমখক্তনি, অনী থোকপা, অহুম থোকপা য়াদে। ভোটকী মতম অসিদা অমনা অমবু নুংশিনহন্দ্রে। ঐখোয়গী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ভোট লেপকনি হায়না চোঙথোরক্লিবশিং অদুদি ঐহাক্না শকখঙনবা ঙাক্তা ওইনা তৌই। অসোমদদি অদুম হায়বা মতিক চাবা কেন্দিদেটতা ভোট পীবিয়ু। অদুদা খ্বাইদগী হেন্না লুরিবদি ঐগী এ সীদা ভোট লেপকনি হায়না চোঙথোরক্লিবা কেন্দিদেটশিং অসি মতিক চাবা কেন্দিদেট ঙাক্তনি। মসিনা শ্বায়গী জগাদা শোল্লি হায়বা কনামত্তা য়াওদে। অদুদি ঐনা ভোট পীগদৌরিবসি কনাদনো। মশ্বাইসি য়ৌরকপদা কোক অসি অমুক অমুক শেগায়গে তৌরকই। অদুবু ওইনীংবসু ওইজসনু। ভোটতা থৱায় শুকয়াও য়াওজদবা অমবু নমদুনা চিংশিনবীবা মতাং অমসু লাক্তবা নত্তে। মতাংসিদা পঞ্জনীংবা অমনা সোসল ৱার্কর, সোসল হায়বা ৱাহৈ অসিনি। সোসল ৱার্করগী ৱাহন্থোক্তি অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। অদুবু খঙজবা অমনা ঐখোয়গী মণিপুরদা সোসল ৱার্করনি হায়না চোঙথোরক্লগদি মহাক অদু শোয়দনা ভোট লেপকদবা মীওই ওইরগনি। ঐখোয়না খঙজবা থেংনজবা মতমদা ঠিকা তৌবা, লৈঙাক পায়রিবা মিনিষ্টরগা খূৎশম্নবা, শেঞ্জাও পায়বা কাঙবুগা শম্নবা মীওইশিং ভোট হেক্তা লেপকল্লি। কাবসু মখোয়না অদুম কাখি। থাগৎনীংঙাইনি। ভোট কাবা হায়বসি থথা নত্তে। মদু কানবা হোৎনরকপা মতমদা চঙগদবা মতম, শেল, লেবর অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মতাং অসি য়ৌরকপদা য়াম্না চাউনা কোনশিঞ্জররোই, তেনশিঞ্জরি। মরমদি অওক অথোংগী তোঙানবা লিমিটেসন লৈরম্লোই খঞ্জে।

খ্বাইদগী হেন্না লুরিবনা হন্দক্কী ১২শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী মতম অসিদা মীয়াম্নদি অফবা কেন্দিদেট খল্লগা ভোট পীবিয়ুদি মহায়বা, অদুগা থোরক্লিবা কেন্দিদেট অয়াম্বা মতিক চাবা, ঐনসু নুংশিবা ঙাক্তা ওইবা অসিনি। মতাং অসি য়ৌরকপদদি নঙনা ঐ ওইয়ু, ঐনা নঙ অমুক ওইরগে হায়বা মতাংদা লাক্লি। কনাগুম্বনসু হায়নৈ, মহৈ মশীন হৈবা লৈবাক্কীদমক কৎথোকপা ঙম্বা মীওইদা ভোট পীবিয়ু। অদুবু ঐসু অমুক খল্লি। ঙসি লাইরিক লাইশু হৈরে হায়রিবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং, এম এল এ, মিনিষ্টর ওইরিবশিং অসিনা হেক্তা শেঞ্জা থুমজা অমদি অতৈ অতৈদা হেক্তা মপি ওইরম্মী। টেবলদা চেদা খূৎয়েক পীনরগা শেল খ্বাইদগী চাউনা লৌথোকপসু ওইরম্মী। অদুনদি মতম অসিগী মতুংইন্না সাইর্ন্টিফিক এজগী মতম অসিদা লাইরিক লাইশু হৈতবদি শুকয়া হেক য়াদ্রে হায়ববু লাইরিক লাইশু হৈবশিংনা শেঞ্জা-থুমজা অমদি অতৈ অরোনবা থবকশিংদা নম্বর ৱান ওইরি হায়বসিমদি থমজরি, মদুগী চপ চাবা প্রমান লৈজরি।

পীকখ্রবা মণিপুর লমদম অসি অরোন অথুপ তৌবা ঙাক্তনা খুল্লিংবা লৈবাক অসিদা হিংগদবা পুন্সি খোঙচৎতি য়াম্না লুরি। হৌজিকসু মঙাই য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক কয়ানা অসুমক থোক্তুনা লৈরি। শোমদনা লাউরি বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী শান্তি লাক্লে, অৱা অনা লৈহন্দ্রে। মীয়ামদা কান্নবা কয়া ফংহন্দুনা লাক্লি। অদুবু নহানদি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা থেংনরুই। পিশুম থোং মনিং মমাঙদা মণিপুর কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা ওটো অতোংমল হেঙ্গৎপগী ৱাকৎ থৌরম পাঙথোক্লম্মী। কয়াদি নুংশিরে ইচাগুম্বীদুনা ৱাকৎপদু হঙ্গৎ হন্দা চৎপদা ওটো অতোংবল লুপা ১০০ পীনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে। লুপা ১০ পীবা ঈশিং বোট্টল অমফাওবা লৈনিংঙাই শেল য়াওদ্রে হায়বসিনি। কোভিদকী ৱানরিঙৈ থাদোরকপদা কোলেজ কাবগী নুংঙাইজবা মীকূপ খরদুদা ওটো, মেজিক টাটাগী অতোংমলনা অৱাবা অমুক পীবিরে। ত্রান্সপোর্টরশিংসু থাও মমলনে, গাড়ীগী পার্টকী মমলনে পূন্নমক পাশিল্লুবদা পংলেম লেমগদবদি মান্দে। লৈঙাক্কী ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা তূমিন্না লৈশিল্লিবা করিগীনো। স্কুল, কোলেজবুদি হাংদোকপীরে অদুবু লায়রবা মহৈরোয়শিংদি ক্লাস য়াওবা ঙমদবগী ফীভমদা লাক্কদৌরে। হীরম অসিগী মতাংদা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমন্টেকী কাঙবুনা চৎনবা য়াগদবা থৌরম থৌশিল অমা শিনবীরগদি থাগৎচগনি। ভোট লেপনীংবা কাঙবুসু, মিনিষ্টর, এম এল এ ওইনীংবশিংসু হীরম শোমদা কোক থাদবীরগদি ভোট কারক্তুনা মিনিষ্টর ওইরকপসু য়ারোই হায়নীংঙাই লৈতে। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৪৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

হান্নদগী হায়দুনা লাকপা লেংদবা ৱাফম অমদি মালেমদা লৈরিবা লাইনীং লিচৎ মান্নদবশিং অমগা অমগা য়েৎনৌ, অমনা অমবু নমথৌ হায়বা ৱাফমসি শুকয়াও য়াওদে। অদুবু লাইনীং লিচৎ মান্নদবশিং চৎনরিবা কাঙবুনা মখোয় মশানা থাজনা চৎলিবা লাইনীং কাঙলোনদুগী ৱাংমদা হেক হেক চৎপা য়াওরকপনা লাইনীং মান্নদবশিংগী মরক্তা ৱাথোক লান্থোক ওইনবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লকই হায়বসি লোইনা খঙনৈ। অদুবু মরম অমা নৎত্রগা অমদগী হেক্তা মালেমগী মফম অমদা মান্নদবা লাইনীং লিচৎ চৎপশিংগী মরক্তা ৱাথোক লান্থোক থোকই। নাকল অমনবু লাল্লুরবদি অতোপ্পা নাকল অমনসু অমুক খূৎ হল্লকপদগী চাং নেম্বা/ৱাংবা ৱাথোক লান্থোক ওইখিবগী মালেমদা খুদম চাংদম কয়া লৈখ্রে। লান্মৈ চাকপগুম পাক শন্না শন্দোরকপগী ফীভম লাকপা মতমদা মালেমগী থাক্তা নৎত্রগা ৱাথোক থোক্লিবা মফমদুগী শন্তাইবা ঙম্বা লূপ/ফুরুপ খরনা নাকল অনীমক্তা অহানবগী লৌখৎপা খোংথাং ওইনা পূক্লিং ফাথনা লৈনবা ফজবা থেমজিন ৱা কয়া হায়নবসু অদুম থেংনৈ। মতাং অসিদা খন্নবা য়াবা ৱাফম খরদি - অতেনবা মতমগী মনুংদা শন্তাইনবা পুরক্কে হায়রবদি থোকখিবা থৌদোক্তুগী হৌরকফম ওইরিবা মরমদু অথুবদা খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা চৈথেং ফংলিবা নাকলদুগী মীওইশিংদু ঙাক্লৌ পীবগা লোয়ননা মখোয়দা মখা তানা পামদবা থৌদোক্তু থোকহন্দনবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীবসিনা ওইগনি। মরম অসিনা কুপ্না থিজিল্লবা মতুংদগী ফংলকপা মচাকশিংদুগী মতুংইন্না - "অরানবা নাকলদুনা শোইখিবা লানখিবদু মতুংদা অমুক হন্না তৌররোই, হন্দক্কীসিদি শোয়খিবদুগীদমক ঙাকপীয়ু হায়বা ৱাফমসি মতম চানা হায়বা ঙম্ফম থোকই। মদুদা অতোপ্পা নাকলদুনসু মতুংদদি অসিগুম্বা থৌওংসি তৌরক্লরোই লৌরে হায়না চিন্না হায়নরগা য়াশিন্নবা/শন্তাইনবদু ঙম্লবদি ফৈ হায়গনি। অহানবদা থেমজিনবগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবা থার্দ পার্টিদুনা/অঙম্বা মচিন চৎপদুনা শুপ্নমদা নমশিন্দুনা থমখ্রবদি মতুংদা অমুক পামদবা থৌদোক থোক্লকপদদি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী হৌই হায়বদু শোয়দনা তাগনি। মতাংদু য়ৌরবদি অচুম অরান থিনদনা মান্নবা মশেল নাকপাক লেপ্নরক্লগনি। মতমদুদদি লাইনীংগী লাল হায়বদু ওইরক্লগনি। মতুং তারকপদা য়াম্না ফৎতবা ফীভম হায়বদু ওইরক্কনি। মতমগী মতুংইন্না ৱাখৈনবদা লমদমদুগী হৌরক্লোনগা শাগোন্নবা লাই অমদি লাইনীং করিনো হায়বসিনা ওইরক্কনি। খুদম, য়ানরিঙৈদা মীরমদা চৎলগা মফমদুদা ইশানা থাজবা লাই অমা লাৎচরগা/ঈরাৎ থৌনি থৌরম তৌজরুবদু য়ারম্বদগী মীরমচাশিংনা য়ারক্তবা মতমদদি মীরম নখোয়গী লাই নখোয়না পামজবদু নশাগী হৌরকফমদা পুজখ্রো, মফমদুদা ওইনা নখোয়না পাম্বা মওংদা তৌজরুরো হায়রক্কনি। নৎত্রগনা, মীরমগী লাই অমদি লাইনীং থাদোক্লগা লমদমসিগী লাই অমদি লাইনীং চৎলু হায়রকপদা ৱারু নোংজু ওইরক্কনি। মালেমগী ওইনা খঙনরিবা ৱাফমদি - ইরমদম অমদি মীরমদম, ইরমদমগী লাই, মীরমগী লাই মান্নবা ফুরুপ ওইরবসু মীরমগী লাই থাজরগা মীরমগী লাইনীং লিচৎ চৎনীংলবদি, মীরমগী চৎন - লোনচৎনা ইরমদমগী চৎনলোনচৎতা অপনবা/অয়েৎপা পীফম থোক্তে শোয়দনা হায়রক্কনি। য়ূমদাংবনা কৈনাইবা, লৌ মপু য়োংনা তানবা হায়বা ইরমদমগী ফজখ্রবা ৱাহন্থোক য়াম্না লৈখ্রবা, লাই ওইখ্রবা অহল লমনশিংনা হায়বীরম্বদগী শীজিন্নবদা মতম লৈবা খিবিক্তা চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাহায়শিং নীংশিংবা চুমগনি।" শম্না হায়রবদা, মীতোপ্না খঙনৈ চান্নে হায়দুনা য়ূম্বু শারবা/শানীংলবদি য়ূম্বুদুগা তশেংনা মরী মতা থোকপা কাঙবুশিংনা নঙ (শারিবা/শানীংলিবদু) য়ূম্বু অশেংবা নত্তে শোয়দনা য়ানীংদবা মতাংদা হায়রক্কনি। ৱাফমদি ইশা ইশাদা পানশিল্লগা খনবীয়ু/য়েংবীয়ু। অদুনা ইনাৎকা মীনাৎকা মান্নবা হৌনদে। মনাৎ কন্নবা অমদি য়োকখৎনবা তৌবা য়াবা মখৈ তৌরক্কনি। মতমদুদা মীতোপকী চৎন-লোনচৎ পামজরুবশিং ৱারৌরক্কনি। মসিদি হৌনশানি। মশাগী মরাল য়াজরগা করি করম তৌরবদি লমদমদুগী য়েলহৌ মীশিংনা মীতোপ অমদি মীতোপকী ৱাখল চেল্লিবশিংবু য়াগদগে হায়বসি মরী লৈনবশিংনা খনবা চুমগনি। মখোয়সু য়েলহৌমীশিংনি হায়না হায়নীংলকপদা, নৎতে হায়রক্লোই। অদুবু ৱাহং অমদি শোয়দনা হংলক্কনি। অদু ওইরবদি নখোয়না তৌরিবা অমদি চৎলিবা লিচৎতু করম্বনো হংবদা - 'মীনাৎনি হায়দবা য়াদবদগী হায়বা তারক্কনি'। অদুনা মখোয়শিংদু য়েলহৌমী ওইরবসু ইনাৎকী লোনচৎকা মীরমগী চৎনলোনচৎকা শুকমান মান্নদে হায়বসি নখোয় খঙলিবা নৎত্রা হায়রক্কনি। মীনাৎ য়োকখৎকদবা নত্তে, ইনাৎ য়োকখৎফম থোক্তব্রা খুদম পীদুনা খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম কয়া শোয়দনা হায়রক্কনি।

মীরমগী লাই নুপা লাই নুপী মখোয়শিংগী শকপাল নাইবগুম্না ইনাৎকী খোইয়ুম লাইনিংথৌ অমদি খোইমোম লাইরেম্বীশিংদি শকপাল নায়দে। করিগুম্বদা কোমায়না শকপাল শাবা/ওইবা য়াওই। অয়াম্বা মফমদা মতমদা লাইনিংথৌ ওইরগনা ফৈজোম, কোকয়েৎ (কোকথোল), ইনফি-লোইনমক অঔৌবা মচু ওন্না থোনগনি। খোইমোম লাইরেম্বী ওইরগনা ফনেক ময়েক নাইবা/তুঙ্গা ফনেক (মতাংগী মতুংইন্না), খ্বাংচেৎ/খ্বাংয়েৎ অমদি ইনফি, ঙকশমদা লৈতেংগী লিফাংনচিংবা হায়বদি নমু তাইবঙ মীওইবশিংনা হরাও তয়াম্বগী থৌরম অমা পাঙথোকপদা শেৎ চাবা অদুগী মওংদা লাইরেম্বীশিংদগী মতৌ তম্লগা শেৎ চাই। হৈরাং-লৈরাং নিংথিবা কৎপা মতমদা মপূম মপূম ওইনা ফজবশিং খল্লগা কৎকনি। হৈরাং-লৈরাং অমত্তা খায়দোক্লগা/শেগাইরগা কৎপা য়াদে। মীরমগীদদি মচেৎ মকাই ওইনা তৌবদু ইনাৎকীদা চৎনদে। কৎপগী মওংসু হৈরাং লৈরাংনা য়েৎ থংবা নাকলদা, ক্বা তাঙ্গা অশেম্বনা (মথৌ তারকপদা) ওই থংবা নাকলদা কৎকনি। মৈরানা য়েৎতা অদুগা মেত্রুক/মনম (মীরমগীদা ধুপ হায়নবসিনা) না ওই থংবদা কৎকনি। তরেৎ শেঞ্জাদি তাংবল মথক্তা হায়বদি ফম্বালদা কৎকনি। হৈরাং লৈরাং খুদিংমক কৎপা মতমদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা পাল্লকপা/শাৎলকপা অদুগী মওংদা/ফীভমদা হায়বদি মপূ মঙোন্দগী থোরকপা/ওইরকপা মক্তনিনা মখোক্লা লাইগীদা ওনশিনগনি।

কংলৈচা খুদিংমক য়েৎ-৭, সলাই-৭ (খাবা-ঙানবা অমদি শরাং লৈশাংথেম অনীসিবু মরি থোক্লা থুগাইরগা সলাই ৯ হায়নবসু য়াওবসি মীরমগী ইথিল খরা চঙবা মাল্লি) কী চাদা নাউদা ওইবনা য়েক সলাইগী অখন্নবা থৌরম পাংবা মতমদদি য়েক-য়েক্কী ওইনা লৈরিবা অখন্নবা হৈরাং-লৈরাং, লা, লাইজ ঈশিং শোকফম, খূৎশু থাঙলেন, শারেন চননবা ঙা শারেংগী মশক মচু, খান্বী মৈত্রেং অরাবা লৌবগী মওং মতৌ ফাওবা লোইনমক তোঙান্না লৈ। হায়রিবশিংসি য়েক শাগৈ ৭ অমমমগী তোঙান তোঙানবা য়েক তিন্নবা শাগৈ তোঙানবশিংগী 'পিবা' অমমম অমুক লোইনা লৈনরিবনি। শাগৈ অপোকপা-অপোকপীগী থৌরম খুদিংদা পিবানা মকোক চিংলগা মরী লৈনবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংগী থৌরম পাঙলিবমক্তনি। মসিদগী হেন্না কুপ্পা অমদি ফজবা কাঙলোন মালেমগী লাইনীং খুদিংদা অমদি মফম অমদা লৈরমগনি থাজদে। লাইনীংথৌ লাইরেম্বী অনীদা কৎলমদাইগী মতমদা য়াম্না হেন্না ফজরিবা মচৎ অমদি লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীদা কৎচনীংবদগী ফজবা, হৈজিং ফারবা অমদি কৎপা য়ারবা মখলগী লৈশাৎ তম্লবা লৈরাং, মৈরা, মনম ওইগদবা পোৎশক খুদিংমক লাইমাংদা পুশিন্দ্রিঙৈদা পুরকইবা/পুরকইবী মশাশিংগা কোন্ননা হৈকৎ-লৈকৎ তমগদৌবা মখল খুদিংমক নাহৈফুদগী তাইরেন পুংফাইদা পকপা লাইজ ঈশিংনা খিকফম চাইদুনা হান্না শেংদোক্লবা মতুংদা ফত্ত-হৌদি হায়বদি অমোৎ অকায়, শন্নাংনচিংবা য়াওবা য়াওদবা ফজনা য়েংলগা থেনগৎফমদা মফম চানা চানা হায়বদি হৈরাংনা হৈরাংগীদা, লৈরাংগীনা লৈরাংগীদা, চেঙবী চেঙবা হৈনবনা হান্না থেন্দুনা হৈদুনা থল্লিবা অদুদা কৎপা মক্তনি। ●